# নুপীগী মমল : ইকায় খুম্নরিব্রা নত্রগা খোঙ্গোয়নরিব্রা?

-ডা. নোংমাইথেম প্রমোদিনী -

ও, নুংশিদা! দিসেম্বর থা লোইশিনখ্রনিকো! থা অসিদনিকো, মণিপুর নুপীশিংগী মতিং মথৌনা উৎখিবদো। ঙসিনা কমদৌরবা! থৌনাদো হন্দ্রি, অদুবু পূক্নিং নুংশিবা মতাং কয়াসু লৈতবা নত্তে। নুপীগী মপোক, য়াম্না মুন্না খন্থরুরবদি চাওথোকচনিংঙাইনি। শিয়োম্নুংদা তাইবং থৱায়বু নাউপুজবা, মপারী মমোম্বু মতম্বাক্তা থমদুনা মীৎকা মীৎকা মীৎচাননা খোল্লাং ইনবা ঙমজবা, তাইবং মপুবু থাগৎফম থোকপনি। মপারী মমোম শমু নমদা পোরগা নাওশুম ঈশৈ শক্লিবী নুপীনি। চীংদা কাদুনা শীংজনবা, পাত্তা কুমদুনা ঈনচিং-লোংখোনবা, লৌবুক্তা কুমদুনা লৌয়ানবা, লৌ লিংবা, পেংবা, খাউবা, য়ৈবা, ললোন-ঈতিক, ফিশা-লোনশা, শিনশং, লোয়শঙনচিংবদা নুপীনা য়াওদবা মফম অমদি হীরম লৈরিব্রা? ঙসি ঙরাংদি ওতো রিক্লো, ই রিক্সো থৌবী নুপী কয়া থোরক্লে। মহৈ মশিনগী হীরমদসু অদুমঙাই চাংচৎ ওইনা পারবদি নুপাদগী হেনবগী ফীভমদা লাক্লে হায়বা য়াই। মসিদবু পাঙ্গল শোনবী, ৱাখল লৌশিং থেনবী, নোংমদা অহুল্লক পঙথবী, পাপ্না কুয়োম ওইরবীনচিংবা হায়বা অমনবা ৱাখল্লোন অদু মাঙখিবা ওইরসনু। মীনা মীবু নমথদুনা থম্বগী থৌওং থৌচৎ মীওইবা খুন্নাইগী চৎনরোল ওইদুনা ঙসি ফাওবা মুথুৎপা ঙমদনা লৈরি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই। চৎনরোল অসিগী মখাদা পিদোন্না হিংলকখিবা কাঙলুপশিংগী মনুংদা নুপী ওইবীশিংসু অদুম্মক য়াওদুনা লাকখিবনি। পুম্নমক অসি ওইদুনসু ৱাখল লৌশিং চঙখোল্লবা লাইগুম্লবা খঙ হৈরবা মীওই কয়ানদি নুপীগী নুং পান অনিমক্কি ওইবা তৌবা ঙম্বা মতিক ময়াই অদু মপুং ফানা খঙবা ঙমখি। মদুননি নুপীবু লাইরেম্বীগী থাক্তা পুখৎলম্বগী মরমসু। ঐখোয়গী লমদম অসিগী লাইচৎলোনগী ওইবা তোপ তোপ্পা মশক খরা লৈজে। থোইদোক হেন্দোকপী নুপী কয়া মরু ওইনা পান্থোইবী, য়ুমজাউ লাইরেম্বী, হাওরোক কৌন্থৌ লাইরেম্বীনচিংববু লাইরেম্বীগী থাক্তা থমদুনা ঈরাৎনরি। অদুবু নাকল অমরোমদনা নমথবীবগী চৈনা ফংলবী নুপী কয়াগী ৱারীসু চহী লীসাং শীৎনা ঙসি ফাওবা লেপ্পা লৈতনা তাদুনঙাক লাক্লি।

নুপীশিংনা খাংঙমদখৈ ৱাজবসি মখোয়বু নমজা নমথেক্লবীবা মশাগী ইকাই খুম্নবদা তেমশিংনরকপনি। করি অমুক হায়গনি ইকায়বা অৱাবনা লাঙ্গোই চনশিনখিদুনা মশা মথন্তা শিজবগী থৌদোক ৱাথোক্লা মশীং থিঙমদখৈ লৈরিবনি। লমদম অসিদা নুপীগী ইকায় খুম্নবা মাঙহনবা, হাত্তোকপীবা, ওৎপী নৈবীবগী থৌদোক ৱাথোক নোংমা কাংদনা থোক্লিবনি। চাওখৎলে লাইরিক লাইসুগী মঙাল নীংথিনা ফংলে, হান্না উবা ফংলমদবা অনৌ অনৌবা পোৎলম কয়াগী মপু ওইবা ফংজবগীদমক অদুক্কি মতিক চাউথোচৈ। অদুবু ঐখোয়গী ৱাখল্লোন্দি অসুম অসুম নেমথরকপগুম তৌরি। ক্লাস টেন তম্বা হৌগৎলকপদনি, লাওইখ্রবা ঐখোয়গী ওজা বাহুনা হায়খিবা ৱাফম নীংশিংলকই, "ইণ্ডজ ভেলি সিবিলাইজে সনগী মীওইশিংনা নুংঙাইনা, কে-মৌনা হিংলম্মি, অদুবু ৱাখলদি অদুক্কি মতিক পঙৱাং ৱাংলমদে। মসিগী ওন্না তৈনবদা মখোয়গী মতুংদা লাকখিবা আর্যশিংদি য়াম্না চম্না হিংলবসু ৱাখলোন্দি অদুক্কি মতিক অৱাংবা থাক্তা লৈরম্মী।" মতমদুদা ওজাদুনা হায়রিবদু মনুং থীৎনা খঙখিদে। ঙসিদি পুমখঙ খঙলে হায়বমক্তি নত্তে, মানা হায়বীরম্বদু মেটরিএল লাইফ অমসুং আইদ্যেল লাইফ অনীগী খেন্নবা পুন্সি মহিং অদু ঐখোয়দা খঙহন্নবা হোৎনখিবনি হায়না চেৎনা থাজে। তৌববুদি চাওখৎ চাওখৎলগা মীশিংসে কৈনোমা তৌরকপরা খঙদে। ১৯৬৮-দগী ৭৫গী অদুৱাই মতম চহী তরেৎ/ নিপান্দুদা ঐখোয়না চৎখিবা চীংনুং মান্নুংদো, দুর্গা পুজাগী লাইদা কৎনবা হৈ-রা, চুনচিংবা থিবা চৎলিবনি হায়দুনা অয়ুক ঙন্তাদগী চৎপীনি। ফনসু চাউজরপোৎনি, অকি অখং, ইকায়বগা হায়বদু কদাইদা লংশেকখ্রিনো খঙদে মীকি লাইকিদবীদা ঐখোয় খরা হৌনরগা নুংতিগী চৎলি। শা-কৈ নত্তনা অতৈদি থোইনা খল্লুদে। মমাঙচীংদা চীংগী খুল, লাইজিং, মীনৌ, মনীংচীংদা ফুনান, খুমন ইংখোল, থোংগোংমাঙ (থুমখোংমাঙ) য়ৌরুবা য়াওই। দুর্গা পুজা মতমগী ৱাঙাক নত্তে, চহীগী অরোইবা এগজাম লোইরকপদসু নুংতিগী শীং চনবা চৎলি। ফত্ত-নুংদা অকি তুজুংবা লৈবাক ৱাথোক ওইবা থৌদোক ৱাথোক অমত্তসু থোকখিদে, হায়জিনবৈ ৱা নত্তে। নোংমদা চরা অনি শুনা চাবা ফংদবা, উতী চগেম, পান, মাইরেন, চুজাক চারগা লেনবা ইমুং মশীং য়াম্লম্মী, অদুবু অমনা অমবু ইকায় খুম্নবা নুংশিনবগী চাংদি ওন্থোক্লা ৱাংলম্মী, ফিদম্নফম্নি। হৌজিক মতমসিদা ওইরম্লবদি কমদৌবা?

ঙসিদি চাওখৎপা য়াবা চাওখৎলে হায়বা য়ারে। মালেমগী কাচিন কোয়াদা থোকপা অফ ফত্ত থৌদোক খুদিংমক তাবা/উবা ঙল্লে। হায়নবা লৈ, মী য়াম্লবদি ৱা য়াম্মি। চুমদে হায়বা য়ারোই। চাওখৎ চাওখৎলগা তাহে উহৈদবা থৌদোক ৱাথোক নোংমত্তা কাংদনা থোক্লকই। অনৌ অনৌবা ৱায়েল পথাপ পুথোরকপগী মতিক মসিবু তেমশিংনবা মীগী মশীংসু ঈশিং ঈচাওগুম্না হেনগৎলকই। লাইরিক হৈবা মীগী মশীংনা অসুম অসুম হেনগৎলক, লাইসু খঙবনা ৱাৎশিল্লকপা হায়বদু ওইরমাল্লে, অকি তুজুংবা থৌদোক ময়াম অমা থোক্লিবসে। ফনা য়াম্না চাওখৎলে হায়দুনসু লমদমসিগী নুপীশিংগী পুন্সিদি খুদোংথীবা কয়ানা লাঙ্গোই চনশিন্দুনা থল্লি। মশানা য়ানা নত্রগা য়াদনা নুপী ওইবীগী ইকাই খম্নবা মাঙখিবগী পোৎলুম অদু নুপীখক্তগী ওইবগুম্না তৌরি। নুপীগী ইকাই খুম্নবা ঙাক শেন্ননবা ঈহৌ লাক্লবনি। লৈঙাক্কী মায়কৈদগীসু অকনবা চেকশিন থৌরাং ওইনা এক্ট খরা পাস তৌদুনা চৎনবা হৌখ্রবনি। মদুমক ওইদুনসু। মপুম মরৈ ফারবীশিংদগী হেন্দোক্তুনা চহী নৌরিবী অঙাং নুপীমচা ফাওবা নমজা নমথেক্লবীবগী পাউ অনৌবা নত্রে। মদুনা মোব জষ্টিসকী ৱাফম লাকপগা লোইননা মরাল লৈরবা মীশক্তুদগী হেন্দোক্তুনা মহাক্কী ইমুংগী মরাল লৈজদবা মীওই কয়াসু অৱাফমদা তাহল্লি।

মতম অসিগী য়াম্না নুংনাংলিবা থৌদোক্তি কনাগুম্বী লৈশাবী অমবু মাগী খঙনা চান্নবদুনা নুংশিবগী মিংদা নমথাক তৌবীবদগী তাহৈ য়েংহৈদবা থৌদোক কয়া থোরকপসিনি। খাংঙুথক্কি শিংগারৈগুম্না পুন্সি পিখম্নখিবগী থৌদোক কয়াসু লৈখ্রে। ৱায়েনশঙগী চৈরাক্তি লৈ হায়ববু অচুম্বা ফংবা ঙাইবদা অৱাবা অমা ওইরি। মসি নত্তবা লৈবাক কুম্মৈ ওইবা থৌদোক কয়াসু থোকই। লুহোংবা নুমিত্তা নত্রগা নোংমা নীনি ৱাৎলিঙৈদা লুহোংদৌরিবা নুপা অদুগী ময়ুমদা অতোপ্পা নুপী অমা লৈরনি হায়দুনা মথন্তা লাকশিনবা নত্রগা মরী মতা ইমুং মনুংনা থিনজিল্লকপগী থৌদোকসু য়াম্না তোইরে। মীৱা মৈশা পূম্নমক খাঙদুনা অদুম্মক লৈখিবসু য়াওই। লান মখল অমনি। মীয়াম্নসু মাগী মাগী থোকপা অনীংবদু পংঙাঙদা ঙাঙনৈ। কনাগুম্বা খরনা হায়, "নুপা মানা লাল্লুবননি, নুপীমচা অসিনা ইকাই ইকি পূম্নমক থাদোক্তুনা লাক্লিবসি।" অতোপ্পা খরনা অমুক হায়নৈ, "হৌজিক্কানগী লৈশবাবীসিংসু ওন্থোক্লা তৌবা ঙমখ্রেদকো।"

ফজবা লেমজবসু নত্তবদা হায়নরিবা খুদিংমক চুম্নবগুমসু তৌই। হায়রিবা হীরমসিদা ঐখোয় পূম্নমক্লা খন্থদবা য়াদবা মতাংসু লাক্লে। কনাগুম্বী খরদি মহাকপু নমথাক তৌবীরম্বগী চৈরাক ওইনা য়ানবা শেনফম খরা নুপাদুদগী লৌরগা ৱা লোইশন্নবসু য়াওই। মসিদা হংনীংলিবদি মদু নুপাদুনা নুপীবু থওই উশিত্তবা অমদি শান্নপোৎকুম খনবগী ফংফম থোক্লবা মতিক চাবা চৈরাক্লি হায়না লৌবা য়াররা হায়বসিনি। পুন্সিগী ওইবা অদুক য়াম্না শাথীরবা লানফম অদুদা কনানো লানঙম ফীরাল থেৎলিবদো? নুপাদুনা শেঞ্জাও পায়বা ইমুংগী মচা মশু ওইরবদি মঙোন্দগী লৌরিবা খরদু খুরক্তগী লুপা অমা নান্থখিবগা অমহানি, করিসু নাচুংবীরল্লোই। শেল খরা তিংলগা মরাল কোকপীখ্রবা মাগী মাঙজববু করিনো? ৱাথোক লোইশিন্দ্রিঙৈ মনুংদা মকোক খজিক্তং শাবা নত্তনা চৈরাক অমত্তা ফংখিদে হায়বা য়াই। অহোয়নদুম নুপীদা নমথাক তৌবা ঙম্বনি খন্না মবুক্লিংদা চাওথোকপা ফাওরম্বা য়াই। করিগুম্বা মতমদা ঈশিং মনুংদা লুপশিল্লগা নোক্লমগনি, নুপীনা পাম্বা সাধু নোংমৈ পাইবনি খন্দুনা।

মীনোক মৈশা লাংহৌরবী মহাক্কী ওইনদি মাঙজবৈ মাঙজবা ঙাক্লি। লুপা খরদুনা মেনশিবা ঙমদবা অহোবা অমদি অদুম্মক পুন্সি চুপ্পা শাগোন্নদুনা লৈহৌই। মরাইবক তিন্নবা কনাগুম্বা অমগা পুন্সি খোঙবু ওইমিন্নখিবদি য়াই। মহাক্কী অনৌবা পুন্সি অদু মকা লাম্না হিংবা ঙল্লবরা হায়বসি হংনিংঙাই ওইরি। পেন্থোকপা ঙম্বা পুকচেল চাউবা থেংনরুরবদি লাইবক ফবী ওই। মদুদি য়াম্না তাঙনা থোকই। মরমদি নুপানা মপু ওইবা খুন্নাইগী মচৎ মাঙদ্রি, নুপাদি তরাগী মপুনি হায়বসিদা, মরৈ য়েৎনিংদবা ময়াম অমা লৈরি। পুন্সিগী শোয়খিবা খোঙফম অমনা মরম ওইরগা পুকচেল চাউথোকপা ঙমদবা, চক্ কনবা মপুরোইবনা কুপ্নে নৈবদগী হিংবগী নুংঙাইবা মহাউ ফংদবা নুপী ময়াম অমা লৈরি। ঙসিদি অনৌবা চৈফু অমা ওইনা সাইবর ক্রাইমগী ৱাথোক তত্তনা থোক্লে। নাকোংখক্তুনা তাবফাওবা কদাইনো হায়রকানসিদা মীৎনা শং শং উরবদা করি ওইফম থোকপগে, অৱাবাগী মথক্তা অৱাবা পোৎলুম থোনগৎপা নত্তনা। নুপীবু নমজা নমথেক্লরগা নত্রগা লৌনম তৌবীরগা মমল পীদুনা ৱারোইশিন পুরক্কনি খনবদি অচুম্বা নত্তে। মদু নুপীবু ইকায় খুম্নবা নত্তে, খোঙ্গোইনবনি অমুক হন্না থোক্তনবা চৈরাক পীফম থোক্তব্রা? ●

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১১

১। মণিপুর অসি ইন্দিয়াগী মনুংদা বৃটিশনা লৌশিনবসু ইকোন কোনবনি, অদুগা ইন্দিয়াদা তিনবসু ইকোন কোনবা লৈবাকনি। অদুবু কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দগী অতোপ্পা লম অনীগা পূন্না ইন্দিয়াগী শরুক অমা ওইখ্রে।
(ক) অতোপ্পা লম অনীদুগী মনুংদা অমদি ত্রিপুরানি, অতোপ্পা লমদুগী মমিং হায়য়ু।
(খ) শিল্লোংদা মহারাজ বুদ্ধচন্দ্রনা চৎখিবদু মাগী মরৈবাক নীংবা প্রাইভেট সেক্রেটরি লোয়নখি। মহাক অদু কনানো?

২। "ইজমগী পল অসিদি নৈনরোয়গী লৈই অমনি, কবিদি লৈইগী ৱাংমদা লৈগল্লি। ফাজিনবসু লানগনি।" ৱাফম অসি নৈনরোয় অমগী মতনি। মহাক্লা 'মোরাম্বী অঙাওবী' কৌবা ৱারীমচাগী লাইরিক অমসু ইরম্মী। মহাক্তু কনানো?

৩। "য়েংঙু/কৌব্রুসে কূমথরক্লে/মথন্তা/চীংদোন্দগী/লৈচিন নোংফাই অমতা লোয়নরক্তনা/কদায়দনো/মীরকসিদা।" পরেংশিং অসি দিনমনী অমদি সমরেন্দ্রগী মতুংদা লাকপা ষ্টেরিকেল কবি অমগী ৱাহৈশিংনি। মহাক অদু কনানো?

৪। "পোইরৈ কৌগেরা, কংলৈ কৌগেরা/মুৱাপল্লি থোনগেরা, সনা পুংময়োননিবু হায়সিরা/কতে কশে মুগলাই/কৌনীংবতা কৌজৌ, ঐগীদি সনা লৈবাক।" পরেংশিং অসিনা 'শাৎচগে নঙগীদমক' কৌবা শৈরেং লাইরিক অদুদগী লৌথোকপনি। অইবীদু কনানো?

৫। "অনৌবা যুগকী/অনৌবা আশা পুদুনা/লাক্লো নহারোল।" মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম জন্যুৱারী ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল ***hueiyenliteraryquiz@gmail.com*** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহৈগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১০গী পাউখুম থারকপশিং

***১) তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায় (১,২,৩,৫) (৪)***
২) থিয়াম রাজেন্দ্র লুৱাং, চীংমৈরোং য়েংখোইবা মমাঙ লৈকায় (১,৩,৫) (৩)
৩) মোইরাংথেম গঙ্গুলি, ককচীং তুরেল ৱাংমা নিংথৌ পরেং (১,২,৩) (৩)

(অচুম্বা পাউখুমগী ৱাহং নম্বর, ব্রেকেট মনুংদা পীজরি)

হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ- ১১০গী ৱিন্নর

***তোংব্রম জিবোন, লাংজিং অচৌবা মখা লৈকায়***

লিটরেরি ক্যুইজ নম্বর ১১০গী মনা লান্থোক্কদবা নুমিৎ অমসুং মফম জন্যুৱারী ৫, নোংমাইজিং নুমিৎকী নুংথিল পুং ৪ তাবা মতমদা হুইয়েন লানপাউ ওফিসতা লান্থোকচগনি।

## হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-১১০গী পাউখুম

১। মণিপুরনা ইন্দিয়াদা তিনখিবসি 'মর্জর এগ্রীমেন্ট অমগী মখাদনি। কুমজা ১৯৪৯গী ওক্টোবর ১৫দগী চৎনবা হৌখ্রবনি। য়ান-চে অদু অরোইবা মনীংতম্বা নিংথৌ বোধচন্দ্রনা মণিপুরগী মহুৎ শিন্দুনা খূৎয়েক পীখিবনি।
(ক) ইনিংথৌ বোধচন্দ্রনা খূৎয়েক পীখিবা নুমিৎতু তারিখ কয়াদনো? ***:- সেপ্টেম্বর ২১।***
(খ) 'মর্জর এগ্রীমেন্ট অদু পূন্না আর্টিকল কয়া য়াওবগে? ***:- আর্টিকল ৯ য়াওরি।***

২। "ঐহাক্লা কুমজা চুপ্পা থিরকপা মনীংতম্বা হায়দুদি/মালংবা নহাক্কী মপোক ওইরল্লে।" পরেং অনী অসি অইবী অমগী য়াৱানি। অইবী অদুনা 'হেল্লোই হেল্লোই মী হেল্লোই' কৌবা শৈরেং লাইরিক অমসু ইরম্মী। মহাক্তু কনানো? ***:- খাইদেম প্রমোদিনী।***

৩। "মতমদুদা হে চান্নথোইরবা নঙনা/পুশিনবিগদ্রা নঙগী কাদা/অহিংগী তাংলৌদা/তূমখুন হুল্লমদাই।" পরেং মরি অসিনা 'নঙবুনে ইনেমচা' কৌবা শৈরেংগী লাইরিক অমদগী লৌথোকপনি। অইবদু কনানো? ***:- কোঙ্গম নোকুল।***

৪। "নঙসু চৎলু, ঐসু চৎকে/থম্মোয়গী মীহুনদি চোংই/খোঙথাং কনখৎসি পন্থুং য়ৌনবা/লৈগুমসি লৈশিন্দুনা হিদেন অমদা।" পরেং মরিসিনা অইবী অমনা মাগী থম্মোয়দা পাউমেঞ্জবনি 'চোয়রোলনি চোয়রোল' কৌবা শৈরেং লাইরিক অদুদা। অইবীদু কনানো? ***:- চোংথাম নলীনি।***

৫। "শুমাং খুদিং মেরা ৱা/থাওমৈ পরেং দিৱালী' পরেং অনীসি মমিং লৈরবা ঈশৈ অমগী অহৌবা পরেংশিংনি। অইবদু কনানো? ***:- সোরারেল***

ADMISSION OPEN
ENGLISH & RHYMES COURSES
CLASS X ENGLISH (BOSEM) EXAM ORIENTED COURSE
➤ SPOKEN ENGLISH WITH AUDIO AND VIDEO
➤ RHYME TEACHERS TRAINING COURSE
[Rhymes, Computer, Teaching Method, Spoken English etc.]
SPOKEN ENGLISH CLASS (SINCE 1986)
Nagamapal Laimayum Leirak, Imphal
Contact No. ☎ 8974642764
HL-B/4529/25oct.to23nov.

NIT NONGIN INSTITUTE OF TUTORIALS
HOPE FOR FUTURE
Under the Raja Dumbra Singh , Educational Complex
Purana Rajbari (Konung Mamang), Imphal East, Manipur
ADMISSION OPEN FOR REVISION COURSE
CLASS X (BOSEM) CLASS STARTING - 9th DEC, 2019 TIME : 01:00 p.m. TO 05:00 p.m.
CLASS XII SC. (COHSEM) CLASS STARTING - 2nd DEC, 2019 TIME : 04:30 p.m. TO 07:30 p.m.
SPECIAL FOUNDATION COURSE FOR
CLASS IX & X (BOSEM) CLASS STARTING - 23rd DEC, 2019 TIME : 04:30 p.m. TO 07:30 p.m.
CLASS VI TO VIII (BOSEM) CLASS STARTING - 3rd FEB, 2020 TIME : 04:30 p.m. TO 07:30 p.m.
* Day Boarding Facilities.
* Self study hour under the guidance of expert daily.
* Class test will be conducted on alternative days.
* Study Material will be provided.
* Carrier Counselling for future study.
* Transport & Hostel facility will be available.
RDS High School Konung Mamang (Purana Rajbari) Contact No. - 8014221074 / 7005787091
HL-P/5262/10 dec-11jan

RESOURCE TUTORIAL CENTRE
Khurai Lamlong Bazar, Opp. KVS Lamlong
ADMISSION OPEN
FOUNDATION COURSE FOR CLASS IX & X (BOSEM)
SUBJECTS: ENGLISH, MATHS, SCIENCE, S.SCIENCE, MANIPURI, HR. MATHS.
SPECIAL FACILITY: No Tuition Fee for 1st three rank holders of different schools on first come basis.
(Class starts: 23rd December, 2019)
Time: 6:00 a.m. to 7:30 a.m. & 4.00 p.m. to 8:00 p.m.
FOR MORE DETAILS PLZ. CONTACT: 8415923747 / 9366072052
HL-B/5907/23/12-9/01

PIS Brick Field (Mechanised)
(From time to time rate changeable)
BRICK SAMPLE

| Class | Rate(₹) | Bricks | Amount(₹) | Gari Charge(₹) | Labour(₹) | Total(₹) |
|---|---|---|---|---|---|---|
| 1st | Rs. 12.30 | 2000 | Rs. 24600 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 27200 |
| 1st | Rs. 12.30 | 1500 | Rs. 18450 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 20450 |
| 2nd | Rs. 11.60 | 2000 | Rs. 23200 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 25800 |
| 2nd | Rs. 11.60 | 1500 | Rs. 17400 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 19400 |
| 1st Rej. | Rs. 10.00 | 2000 | Rs. 20000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 22600 |
| 1st Rej. | Rs. 10.00 | 1500 | Rs. 15000 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 17000 |
| Peti | Rs. 10.00 | 2000 | Rs. 20000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 22600 |
| Peti | Rs. 10.00 | 1500 | Rs. 15000 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 17000 |
| 3rd | Rs. 5.50 | 2000 | Rs. 11000 | Rs. 2100 | Rs. 500 | Rs. 13600 |
| 3rd | Rs. 5.50 | 1500 | Rs. 8250 | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 10250 |
| Chektek | Rs.5000/- per 1 load (Tata 407) | | | Rs. 1600 | Rs. 400 | Rs. 7000 |

Contact: 9862048579, 8787464898 (Sunday closed & Phone switch off)
Office Hours: 6:00 am to 4:30 pm
Wangjing Saban Chekon Leikai, Near Khongjom War Memorial Complex.
HL-P/5723/9nov. to 7jan

**NOTICE UNDER ORDER-V, RULE 20 CPC 1908**
**IN THE COURT OF DISTRICT JUDGE, IMPHAL WEST, MANIPUR**
**R F A NO. 10 OF 2019**

Ref. : Judgment and Decree dated 05.08-2019 of the Ld. Civil Judge Senior Division, Imphal West passed in Original Suit No. 7 of 2008/528 of 2013.

Shri Laishram Angou Singh ---Appellant

**- Versus -**

1. Smt. Laishram Ningol Thokchom Ongbi Leibaklei Devi and 9 (nine) others. ---Respondents

**To,**
1. **Shri Seram Tiken Singh, S/O Late Thambalmacha Devi.**
2. **Shri Seram Ibosana Singh, S/O Late Thambalmacha Devi**
**Both of Mayang Imphal Maning Khunou, P.O & P.S Mayang Imphal, Imphal West District, Manipur.**
3. **Shri Huidrom Bosan Singh, S/O Late H. Temba Singh.**
4 **Shri Huidrom Somendro Singh, S/O H. Bosan Singh.**
5. **Shri Huidrom Dinesh Singh, S/O H. Bosan Singh.**
6. **Shri Huidrom Ajay Singh, S/O H. Bosan Singh.**
7. **Kumari Huidrom Bembem Devi, D/O H. Bosan Singh.**
8. **Kumari Huidrom Echan Devi, D/O H. Bosan Singh.**
**All of Upokpi Huidrom Leikai, P.O. & P.S. Wangoi, Imphal West District, Manipur.**
9. **Seram Ningol Memcha Devi, D/O Late Thambalmacha Devi**
10. **Laishram Ningol Leiyon Devi, W/O (L) Yumnam Ibopishak Singh**
11. **Smt. Laishram Ningol Apambi Devi, W/O Saroijam Maichon Singh**
**All of Mayang Imphal Konchak, P.O & P.S Mayang Imphal, Imphal West District, Manipur.**
12. **Shri Laishram Ashorthama Singh, S/O Nungshirei**
13. **Shri Akoijam Govind Singh, S/O Late Gopalchouba Singh**
**Both of Mayang Imphal Thana, Mamang Leikai, P.O & P.S Mayang Imphal, Imphal West District, Manipur.**
14. **Smt. Laishram Ningol Loidang Devi, W/O Late Longjam Mangol Singh of Mayang Imphal, P.O & P.S Mayang Imphal, Imphal West District, Manipur.**

Whereas, the above named appellant has filed the present appeal against the Judgment and Decree dated 05.08-2019 of the Ld. Civil Judge Senior Division, Imphal West passed in Original Suit No. 7 of 2008/528 of 2013.

And whereas you were not available at your address when an ordinary process was done and it appears to the satisfaction of the Court that summons cannot be served in the ordinary way. So, by way of substituted service, you are hereby summoned to appear in this court in person or by a pleader duly instructed and able to answer all material questions relating to the said application on 03-01-2020 at 10:30 a.m. to give your objection if any.

Take notice that in default of failure to appear on the aforementioned time and date, the matter will be heard and determined in your absence.

Sealed and signed by the order of this Court, this 16th December, 2019, at Imphal.

Seal
By :-Advocate

**Sd/- SR. SHERISTADAR**
District and Sessions Court, Imphal West

HL-P/5820/30,31

Recieving Awards by the Principal and Founder - IPS for Excellence in Education


Shooting Range of IPS, Canchipur
Gym & Fitness Centre of The School
I.P.S.
THE IMPHAL PUBLIC HR. SEC. SCHOOL
CANCHIPUR NEAR MU 1ST GATE
ADMISSION OPENS FOR 2020
FROM PRE-NURSERY TO X
(BOTH SCHOOL AND BOARDING)
A PERFECT DESTINATION FOR PARENTS AND STUDENTS
FEATURES
1. Free Private Tuition at the Boarding for all Classes.
2. Regular Boarding test, Smart class CCTV camera.
3. Shooting Range, World class GYM of the School.
4. Art & Theatre club of the School and Boarding.
5. Medical and Security staff of the School & Boarding.
6. Strict Supervision by the Awarded Principal.
7. Awarded for Best School and Best Principal.
8. Merit Schoolarships for the Meritorious students of the School.
9. Concession for 3/4 Child, Sports Student, Artists, Orphans, fatherless child, OBC Students.
10. Free Admission for the Rank Holders of other School Students.
DAY CARE/DAY SPECIAL FROM THIS ACADEMIC SESSION
For More Details Contact : # 8974478507 # 8974478497


Receiving Indian School Award (ISA) By The Founder Principal A. Kennedy Singh
Receiving of National Icon Award, 2019 by The Founder Principal of IPS, Canchipur
Women's Leaders of The State Giving Honour To A. Kennedy Singh For His Works of Art As a Lyricist
14 times State Winner in March Past
Northern view of the School
HL-P/5461/8-31/3-8 (alt.)